থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পুন্সিনা পুন্সি শেম্ববু তৌহৈদবা অমনি খল্লুবা মীওইবা

থৌদোক অমা নীংশিংলকই। ১৯৯৫। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওল মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেলদুদা 'নমথাক্লি, নমথাক!' মিংথোনবা ঐগী দ্রামা অমা ইহান হান্না উৎখিবদু। মতমদুদা য়াম্না কন্না চৎনরম্বা- 'মহাভারত' ইপিক্তগী মতাং অমা/থৌদোক অমা লৌখৎলগা অনৌবা (মোদর্ন) ইন্টরপ্রিটেসন অমা পীননবা হোৎনবগী ক্রিয়েটিব এক্সরসাইজ অদুদা ঐসু য়াওশিল্লুদুনা 'কর্ণ'গী ত্রাইলোজি অমখক ইগে/পুথোক্কে খনখিবদুগী অহানবা দ্রামা! মহাক্কী পুন্সি'দা, পোকপদগী হৌনা-পূমকক চাউরকপা, মহৈ-মশীন তম্লকপা, মহৈ চাংয়েং তৌনীংলকপা, নিংথৌ ওইরকপা, লানগী লানচিংপুরেন ওইরকখিবা, পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ তানখিবা ফাওবদা, সমাজনা/মাবু শেম্বীবা গুরুনা/মাগী অপোকপী মমানা তৌবীখিবা নমথাক্তুনা মরম ওইদুনা ইকায়বা, খুদোংথীবা অমদি মায়থীবা নংখিবা মীকূপশিংদু নীংশিংলগা ইখিবনি। দ্রামাদুগী ক্লাইমেক্স'তা হায়ননবা হোৎনরুই, কর্ণগী ওইবা মীৎয়েংদগী ... 'পান্দব মঙাগী মমা কুন্তি, ঐগী ইমা ওইফম থোক্তে ... লানগী চিরবা তানফমসিদা মচা অর্জুনবু লানঙম ফিরাল থেৎহন্নবা, ঐগী পাঙ্গল শোন্থহন্নবা, ইমা-ইপা মশক খঙজগে লাইনীং ওইরবা ঐগী লোইরমদাই পুন্সি তাংককসিদা মহাকপু ইমানি থাজহন্নবা লীলা শান্নরম্বনি ... ইমানি মশক তাকপীরগা মচাদগী খুদোম্বী নিবা ঙম্বা মমা, মালেমদা লৈবা হৌনদে ... মচানিসু তাকপীরগা, চাজেনবীনি হায়দনা নাকোংদগী পোকইসু তাকপীবা, অচেনবা ঈশিং ঈচেলদা লংথোকখিবা... নত্তে, নহাক ঐবু পোকপী ইমা নত্তে... অদুগা, হে নুমিৎ কৌবা লাই! নঙনা ঐগী ইপা ওইরম্লবা, ঐদি হায়গনি, নহাক লমচৎ নাইদবা নিংথৌ অমনি-ইনখৎলকপা মতমগী মঙাল নাইবা নুপীগী ফজবনা শুমহৎখিবা... নহাকপুসু ইপানি হায়বা ঙম্লোই ... পুন্নমক নমথাক্লি, নমথাক'...!

নোংমা, ওজা অরাম্বম সমরেন্দ্রনা, একাদেমিগী সেক্রেটরি (লৈমপোকপম দামোদর) গী কাদা কৌরগা লীলাদুগী মরমদা ৱারী শানৈ। মখোয়'নীনা হায় ... 'সূর্যদেবনা কুন্তিবু নমজা-নমথেক্লবগী ইমপ্রোবাইসেসন-সিন অমা য়াওরিবসি লৌথোকউ, নঙগী লীলাসি নেসনল ফেষ্টিবেল থাননবা খন্নরগে' ...। মুন্না খনখি। য়ানীংখিদে। অৱায় অখুম তৌনখি। কোইনদবা ওজা সমরেন্দ্রনা শাউরংননা হায়রকখি, 'ই...! মচা অমনা, মমানা মাবু পিবুক্লুংদা করম্না মিতমখিবগে, মপাবুংনা মমাবু নমজা নমথেক্লবীখিবা অশেংবমক ওইরবসু, অদুগুম্বা দৃশ্যদু মচানা ৱাখলদা শাগত্তুনা উবা হৌনদে হায়বনি'...।

ৱারী শানবগী পর্মিসিবল লিমিৎ লানশিল্লুই ঐনা ... 'ওজা, ঐনা প্লেসিদা হায়জনীংলিবদি কুন্তি অমসুং সূর্যদেব কর্ণগী মমা-মপা ওইফম থোক্তে, নত্তে হায়বনি .. সিন অসি লৌথোকখ্রবদি লীলাসিনা হায়নীংলিবা ৱা, অয়েংবগী থম্মোয়দা তিং পাল্লোয়, নেসনল ফেষ্টিবেল থাবীনবা পুথোকচবা লীলা নত্তে, থাবীনু, সিন অসি লৌথোকচবা ঙম্লোই'...।

অহল অনীনা ঐঙোন্দা তাকপীখিবা পাউতাক অদুগা, চপ যুংনা খনখিবা ঐগী ৱাখল অদুগা, অনীদু মতম কুইনা কোকসিদা নৈশিন্নদুনা লৈখি। মদু ওইবা তাই চনৈনবা ৱাখল হায়বদো। ঐ, ঐহাক অসিবু ইমাগী শিয়োমনুংদা করম্না ওইরকখিবনো? অতিয়াদগী মালেমদা কৃমথরকখিবা মঙাল মরীক অমনা 'ভর্জিন মেরি' অমদি দেবকীগী পিবুক্লুংদা চঙখ্রগা 'জিসস' অমদি 'কৃষ্ণ' ওইরকখিবই ৱারীদু সাইন্সকী ষ্টুদেন্ট ওইরকখিবনা, থম্মোয়সিনা লৌশিল্লু য়াখিদে। অদুগুম্বা 'কর্ণ' সু নাকোংদগী পোকই হায়বা লোজিক য়াওদবা ৱাফমদু ঙসি ফাওবা য়ানীংদ্রি। মেন ইজ এ সেক্সুঅল বিইং। সেক্সুঅল এক্ট য়াওদনা মীওইবা অমদি থৱায় পানবা পুন্নমক তাইবঙসিদা কৈদৌঙৈদা খোঙ্গুল তারক্লম্লোই। গোদ/ঈশ্বর/লাই/অল্লাহনচিংবা এনটাইতি অসি মেল/ফিমেল অনীমক নত্তবা নিউটর জেন্দর ওইরম্বদুনা একজিষ্টেন্সকী ৱাফম লাকপদগী গোদ অমদি গোদ্দেসকী ৱাফম পুথোক্লকখি। হায়বদি, ৱিদাউট সেক্স লাইফ ইজ নোট পোসিবল হায়বনি। অদুগা, সেক্স হায়বা ৱাহৈসিবু করিগী হঙ্গোইনীংঙাই ওইবা ৱাহৈ, ফোঙনা ৱারী শানবা য়াদবা হীরম অমগুম লৌনহল্লক্লিবা? সেক্স হায়বসি তূক্কচ্চনীংঙাই ওইবা থবক অমা নত্তে, হকচাং অসি শেম্লকপগী মরু ওইবা পান্দম - অতৈ নত্তে, তাইবঙপান অসি মখা চথহৌনবা অতোপ্পা থৱায় পানবা হকচাং অমা পুথোক্লম্বা অদুনি। ঐবু তাইবঙসিদা পুরকখিবা, ঐগী ইমাগা ইপাগনা তাইবঙ শেম্বা মপুদা থৌনিখিবগী খুদোল নৎখিদে; মন্দিরগী পুজারি চর্চকী প্রিষ্ট, মসজিটকী ইমামগী থৌজালনসু নৎখিদে, মখোয় অনী নুংশিনবগী সেক্সুঅল ইনর্জিগী অপূনবা য়ুনিয়ন, সেক্সুঅল এক্ট অমগী মহৈ ওইনা ইমাগী নাউয়োম্মুংদা অপিকপা সেক্স-সেল অমা ওইনা মিতম্লকখিবনি ঐ। থাবুম তরা চঙনা অপিকপা সেল অদুদগী মথং মথং সেল-দিভিজন তৌরক্তুনা, মশীং থিঙমদ্রবা সেল কয়ানা শেম্বা হকচাং অমা ওইরক্লব'তুং তাইবঙপানসিদা থোক্লকখি। মীকূপ অহুমগী মনুংদা হংঙা মীকপ্নরক্তুনা নিংশা-শ্বর হোনবা হৈরকখি, পুন্সিগী নুমিৎ মশীং থিরকখি। অসুম্না হিংবা হৈরকপা, চহী তরামরি শুদ্রি' ফাওবদি সেক্স-মশক খঙলক্তে, পুন্সি মশক খঙলক্তে। পুন্সি মশক খঙবা হেক হৌরকপগা তাকপীরে - সেক্সকী মরমদা ৱারী শাবা, লাইরিক পাবা পাপকী মশক অমনি ... সেক্স হায়বসি ক্রাইমনি ... সেক্সুঅল এক্ট অমা পাঙথোক্লুবা, ক্রাইম মখল অমনি ...। পুন্নমকসি করিমত্তগী নত্তে 'পোর্নোগ্রাফি' হায়বা সেক্সুঅল বিজিনেস অদু হৌদোক্লবইদমকনি। সেক্সুঅল অর্জ হায়বা নেচরেল ফেনোমেনন অদুবু তৌহৈদবা থবক, খলহৈদবা ৱাখল অমা ওইহন্দুনা 'নেচরেল এক্ট' অদুবু 'কম্মর্সল এক্ট' ওন্থোকখি। অসুম্না, অরানবা খোঙথাং অমা থাংলুরবা মীওইবনা, অরানবদু চুমথোক্লবা 'লুহোংবা' কৌবা থৌরম অমা হৌদোক্তুনা 'সেক্স' পু রিচ্যুঅলাইজ তৌরমদ্রবা, 'মীওইবা' - শাদই হেন্না হন্থবা, চাওখত্তবা থাক অমদা লৈরমগনি শোয়দনা।

লৌশিং পুক্কে

# নুমিৎ খুদিংগী যোগ শান্নরবদি স্পর্মগী মগুন হেনগৎহল্লি হায়বা খঙলে : রিপোর্ট

ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)না চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নুমিৎ খুদিংগী যোগ শান্নরবদি স্পর্মগী মগুন হেনগৎহল্লি হায়বা খঙলে। মালেমগী থাক্তা পুথোকপা মেদিকেল জর্নেল নেচর রিভিয়ু য়ুরোলোজিদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, দি এন এ অমাঙ অতা থোরকপদগী স্পর্ম শোকচিল্লকপনি।

এইম্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ এনাটোমিগী এক্সপর্টশিংনা য়ুরোলোজি দিপার্টমেন্ট অমসুং ওপষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকোলোজি দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা চৎথখিবা ষ্টদিনি। এইম্সকী এনাটোমি দিপার্টমেন্টতা লেবোরেটরি ওফ মোলিক্যুলর রিপ্রদক্সন এন্দ জেনেটিক্সকী প্রোফের-ইন-চার্জ ওইবা ডা. রিমা দাদানা হায়খি, স্পর্মদা য়াওবা জিনগী মরুওইবা মচলশিং ফরবদি মশা-মউ ফবা অঙাং ওইহল্লি। স্পর্মনবু ফত্রবদি পোক্লক্কদৌরিবা অঙাং অদুসু মশা মউ ফবা ওইদে।

দি এন এদা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি হকচাংদা য়াওবা ফ্রী রেদিকেলগী চাং অমসুং এন্টি-ওক্সিজেনগী চাং খল মান্নরক্তবদগীনি। হকচাংদা য়াওবা সেলশিংগী মরক্তা ওক্সিদেটিভ ষ্টেসন্না খ্বাইদগী চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙম্লিবসি নুপাগী স্পর্ম সেলনি। হকচাং মনুংদা ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস ওইহল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। খরদং পল্লবদা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা, তীলহাৎ-হীদাক, ইলেক্ট্রোমেগনেটিক রেদিয়েশন, ইনফেক্সন, মৈখু শীজিন্নবা, য়ু থকপা, হকচাংগী অৱূম্বা হেনগৎলকপা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা য়াওদবা ফাষ্ট ফুদ তোয়না চাবা অসিনচিংবনি।

পুন্নমক অসি মীওইবনা খজিক্ত চেকশিল্লবদি ইরায় লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা ঙাক্তনি। ইচম চম্না পুন্সি মহিং শেমদোকপা মতমদা দি এন এগী মগুন হেনগৎলকই অমসুং মেল ইনফর্টিলিটি (নুপানা মপাগী মিংথোল ফংদবা) হায়বদু কোকহনবা ঙম্মী।

হীরম অসিগী মতাংদা এইম্সকী ডা. রিমা দাদানা হায়খি, নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা যোগ শানরবদি ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস হনথহল্লি, দি এন এ অমাঙ-অতা থোকহন্দে অমসুং নুপানা মপাগী মিংথোল ফংদবগী অৱাবা কোকহল্লি। থা ৬ চুপ্পা যোগ শানবা নুপা ২০০ দা ষ্টদি চৎথবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। চাং নাইনা যোগ শানরবদি নুমিৎ ২১ নিগী মনুংদা সেমিনেল ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস হনথহনবগা লোয়ননা থা ৬ কী মনুংদা দি এন এগী মগুন হেনগৎহল্লি। পুক্নিং ৱাখল লৈতাহনবগা লোয়ননা স্পর্মগী মপাঙ্গলসু কনখৎহল্লি। ফ্রী রেদিকেলগী চাং হনথহন্দুনা দি এন এ অমাঙ অতা থোকহন্দবা মরম্না অহল ওইশিলহন্দে হায়রি। মতম অমদা থৌশানরমদ্রবসু হৌখিবা চহী ১০ রোমগী মনুংদা মীয়াম্না যোগ পাম্নবগী চাং ৱাংখৎলকখি। যোগগী মরমদা কান্নবশিং খঙনরকপদগী দোক্তর অমসুং মেদিকেল প্রোফেশনদা লৈরিবা মীওইশিংনা মীপুম খুদিংমক যোগ শানহন্নিংবগী ৱাফম ফোঙদোরকখি।

যোগ হায়বসি মেদিটেশন তৌদুনা, নিংশা হোনবগী মওং কন্ট্রোল তৌদুনা অমসুং তোঙান তোঙানবা মওংদা শাজেল তৌদুনা পুক্নিং ৱাখল অমদি হকচাং মরী লৈহনবগী থৌওংবুনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। পতাঞ্জলিনসু যোগ হায়বসি পুক্নিং, ৱাখল অমদি হকচাং ফাথদুনা কয়াৎ খুদিংমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহন্নবগী পান্বৈনি হায়রি।

কনাগুম্বনা মরম ইচা চাদনা খুৎশা অমুসং খুৎকী পাঙ্গল শোন্থরক্তুনা পোৎশক অমত্তা খুৎপায় চেৎনা পায়শিনবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা হেক হেক মায়োক্নে। চাং নাইনা যোগ শানরবদি খুৎপায় চেৎহল্লি অমসুং কার্পেল টনেল সিন্দ্রোম নারবা মীওইশিংদা চৈনাখোল হন্থহল্লি। যোগদা য়াওরিবা নিংশা হোনবগী শাজেলনা অজমাগী লাইওংশিং খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্মী। যোগনা তাং-তাং লেঙথোক-লেঙশিন নুংঙাইহনবগা লোয়ননা অরথ্রাইটিস নারবা মীওইশিংদা চাউনা কান্নবা মী। নরভস সিষ্টম ফহনন্দুনা নর্ভকী মপাঙ্গল কলহনবা মরম্না মল্টিপল স্কলেরোসিস লায়েংবদা মতেং পাংই।

যোগনা রেদ ব্লদ সেল মশীং হেনগৎহনবা মরম্না পাঙ্গল কনখৎহল্লি। কেন্সর নারবা মীওইশিংদা কেমোথেরাপিনা থোকহনবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈ হন্থহল্লি। মস্ক্যুল দিষ্ট্রোফি নারবা মীওইশিংনা হৌগৎলকপদা যোগ শান্নরবদি হকচাংগী মথৌ নীংথিনা তৌহনবদা মতেং পাংই। ঈগী ঈচেল ফগৎহনবগা লোয়ননা কোক্তা ওক্সিজেন অমসুং ন্যুট্রিয়ন্টশিং ফংহনবা মরম্না মাইগ্রেনগী অৱাবা হনথহল্লি। তোঙান তোঙানবা মওংদা হকচাং লেঙদুনা শাজেল তৌবা মরম্না ফিভম চুম্না লৈহল্লি। নঙ্গলদা য়াঙলেন শরূ মওং চুম্না লৈহনবদগী খ্বাঙ নাবা ফহল্লি। যোগ শানবা মীওইশিংগী ফেলোপিয়ন ট্যুব ফুলহন্দে, রিপ্রদক্টিভ সিষ্টম ফহল্লি অমসুং থাগী খোঙকাপ লেপখিবদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং কোকহল্লি।

যোগ শানবগী ইহান হানবা কান্নবদি ঈগী ঈচেল ফগৎহনবনি। ঈগী ঈচেল ফরবদি হকচাংগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা ওক্সিজেন অমসুং ন্যুট্রিয়ন্টশিং য়ৌবা মরম্না কয়াৎ পুন্নমক মপাঙ্গল কলহল্লি অমসুং উনশা ফজহল্লি। চাং নাইনা যোগ শানবা মতমদা পুক্নিং-ৱাখল লৈতাহনবা মরম্না ব্লদ প্রেসর অমসুং মীহুন চোংবগী চাং হন্থরকই। হকচাং মনুংগী কয়াৎশিং মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা অনা-অয়েক য়াওহন্দে।

ষ্টদি খরগী রিপোর্টতা দাইজেষ্টিভ সিষ্টম ফহল্লি অমসুং চাবা তুমদবগী পুক নংশিৎ কাবা অমদি চাকখাউগী অনাবশিং কোকহল্লি হায়বা খঙলে। সেল খুদিংমক মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ইম্মুন সিষ্টম ফগৎহনবা মরম্না অনা-অয়েক য়াওহন্দে। মতম শাংনা লোয়নদুনা লাক্লবা লায়নাগী চৈনাখোল হন্থহনবগী মথক্তা অনাবা খাঙবা ঙম্বগী চাংসু হেনগৎহল্লি। হকচাংগী অৱূম্বা হেনগৎহন্দনবা চাশিনখিবা চীঞ্জাক্তা বর্ন তৌখিবা কেলোরিগা খল মান্নহনবা মথৌ তাই। যোগনা মেটাবোলিজমগী খল কায়হন্দে অমসুং হকচাংগী অৱূম্বা চাং চপ তানা লৈহল্লি। নরভস সিষ্টম তপথহনবা মরম্না পুক্নিং-ৱাখল ফাথবা ঙম্মী অমসুং খোয়রাং-খোয়শাওনবা ফহল্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



অহৈবম কান্তা, মোইদাংপোক অহৈবম লৈকায়

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈবাক মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরিঙৈ চৈরক অসিদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া থোক্লপনা মীচম মীয়ামগী ৱাখলদসু চরাংনবা থোকহল্লে। অমরোমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওই কয়ানা মতম চানা টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট পীবিয়ু হায়না লম্বীদা ফাওবা থোক্লক্লে। লোয়ননা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপদগী থবক-শূফম নোমফম খঙদ্রবা মীয়ামদি কঙাওনরে। চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু লোয়শিল্লকপনা তুংদা করি চারগা হিংগদগে খনবদা অৱাবসু ফাওনরে। মরম অদুনা পোলিটিকেলগী চয়েৎনবা লৈরিবশিং অসি লোয়শিনবিদুনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা হান্না শীনবিয়ু হায়জরি। লৌমি কয়ানা লৌ উবা মতম ওইরবসু শেল পায়দবনা হার লৈবা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা হৌজিক-হৌজিক লৈবাক মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি হান্না কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু। নৎত্রবদি লৈবাক অসিগী মীচম মীয়াম কোভিদ-১৯না নাদুনা শিবা নৎত্রগা চাবা-থকপা ফংদবনা মরম ওইদুনা শোয়দনা শিবা হায়বদু ওইরকপা য়ানা লৈরে।



হেনজাখুপ কিপগেন, সপরমৈনা

হৌজিক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ৱারিবদি পোৎচৈগী মমল তাংখৎলকপগী মতাংদনি। লৈবাক মীয়াম্না পোৎচৈগী অরেপ্পা মমল অমা থম্বিয়ু কয়ারক হন্না হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপিরক্তবনা দুকান ফম্লিবশিংনসু মানা-মানা থোকপা য়োনিংবা মমলদা পোৎচৈ য়োল্লে। মীচমনা পোৎচৈগী মমল তাঙনা য়োন্দনবা হায়রুবদা দুকান ফম্লিবা মীওইশিংগা খৎনবা তাদুনা তোকই। শেল পায়বা মীওইশিংদদি থোইদোক্লা অৱাবশিং অসি থেংনরমদবা য়াই অদুবু লমদম অসিগী লোইজিং লোয়াদা লৈবা মীওইশিংদদি কা হেন্নবা ৱাবা হায়বদু ওই। মরমদি কোভিদ-১৯গী লায়না লাক্লিঙৈ মমাংদা থবক শু-নোম্বা ফংলম্বা অদুসু ঙসিদি থবক শুফম নোমফম লৈত্রে। মরম অদুনা ৱারবা মীয়ামগী খনবিদুনা অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎপিদুনা অৱাবা অসিদগী কোক্লনবা হোৎনবিয়ু হায়জরি। অমরোমদা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা চৎন-কাংলোন কয়া শেমদুনা থম্লবসু ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা ইচিন-ইনাউশিংনা শুপ্নগী নুমীৎ খরা খক লৈবা অসিদা কা হেন্না ঈরাং হৌবা চুমদে। য়ারিবমখৈ ৱাখল খরদি খন্থহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## জিরিবামগী আই ভি আর শেমদ্রবদি লম্বী থিংজিল্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ময়োল ওইরিবা য়াম্না মরুওইবা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭দগী খা পাংনা চঙলিবা ইন্টর ভিলেজ রোদ (আই ভি আর) দিবোং খুনৌদগী কদমতালা তাবা ফাওবা চৎনরিবা লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। মতম চানা শেমদবনা ঙসি লম্বী অসি চৎপদা অকিবা ফাওরে হায়রি।

য়াইফ লমজিং ক্লব (ৱাই এল সী), দিবোং খুনৌগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ প্রিয়ানন্দনা হায়খি, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নেসনল হায়ৱে ৩৭ ময়াম্না ন্যু কছার রোদ হায়না খঙনরিবা হায়ৱে অসিদগী খারোমদা চঙলিবা ইন্টর ভিলেজ রোদ দিবোং খুনৌদগী কদমতালা ফাওবা জিরি কোলেজ চৎনরিবা লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফীভম ফৎতবনা মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদ্রে। হায়রিবা লম্বী অসিগী মতাংদসু খুঞ্জাশিংনা মমাঙদা কয়ারক হন্না থিংজিন্দুনা, খোঙজং চঙশিনখিবা ফাওবা লৈরবনি। অদুবু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা থবক ওইনা পায়খৎখিবা লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

দিবোং খুনৌদগী কদমতালাগী চৎথোক-চৎশিন তৌনরিবা লম্বী অসিদসু আর্মি ওফিসরগী হেদ ক্বার্টরসু লৈরি। পাৱর গ্রিদ অমসুং জিরিবামগী অমত্তা ঙাইবা জিরি কোলেজ মফম অসিদা কয়ামরুম লৈরি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। করিগুম্বা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি লম্বী অসি মতম কত্তনা থিংজিল্লগনি। লম্বী অসি থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনবা মতমদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টকী ওজাশিং, দিবোং খুনৌ অমদি কদমতালাগী খুঞ্জাশিংনা শৌগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লেম্না আনোক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদা মথৌ তৌরিবশিংদা খরদং মতেং পাংবা ওইনা চথুরকখিবা লেম্না আনোক য়েন্থোকপা ঙসিসু থৌবাল তাংজেং ৱাটর সপ্লায়দা থৌ পুরিবা কে ঐচ বিরেনদা কোভিদ-১৯ লায়নাগা মরী লৈননা শারবা নুংশা মরক্তা মীয়ামগী থবক তৌবীনবা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা সনগ্লাস আনোক পিস ১২ থৌবাল বজারদা লৈবা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালগী মপু ইতীন মাইবমনা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## শেলগী মনা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্টস দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই এস দি ও), ককচিং হায় স্কুল ১৯৭৯ মেত্রিক বেটচনা চহী খূদিংগী ওইনা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজামিনেসন্দা ককচিং সেন্টরগী ওইনা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা মহৈরোয় অমসুং ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনা ফার্ষ্ট দিভিজন্দা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিংগী অমদি স্কুল অসিগী ওইনা মকোক মথং অহুমশুবা ফাওবদা পীবা শেলগী মনাশিং ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লোকদাউন লৈখিবনা মরম ওইরগা ৱাই এস দি ও (ককচিং হায় স্কুল ১৯৭৯ মেত্রিক বেটচ)কী থৌ পুবশিং অমসুং থৌমীশিংনা মহৈরোয়শিং অদুগী ময়ুম-য়ুমদা চৎতুনা শেলগী মনাশিং খুৎশিন্নখি। মনা ফংখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি, নাওরেম সোভিনিতি, ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়, পদ্মা রত্ন ইংলি স্কুলদা মহৈ তমদুনা বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২০ দা ১২শুবা পোজিসন তারক্তুনা ককচিং সেন্টরগী ওইনা মকোক তারকখ্রবীদা শেল ওইনা লুপা ৩০০০ অমসুং মমেন্টো অমা খুৎশিন্নখি।

ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনা ফার্ষ্ট দিভিজনদা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয় ময়াংলম্বম খম্বতোন, ককচিং চুম্নাং লৈকায়না স্কুল অসিগী ওইনা মকোক ওইখ্রবগীদমক লুপা ২০০০ গী শেলগী মনা খুৎশিন্নখি।

মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা মনা য়েন্থোকখিবনি। মহৈরোয়শিংগী য়ুমদা চৎতুনা মনা য়েন্থোকখিবা অদুদা পূক্নিং থৌগৎপা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

## ভগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : রাজশ্রি ভগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরনা শীন্দুনা রাজশ্রি ভগ্যচন্দ্রগী ২৮০ শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম ঙসি ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়, অঙোম নিংথৌ মান্দবতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা রাজশ্রি ভগ্যচন্দ্রগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি। থৌরম অদুদা কর্ট পরিষদকী আর কে বিপিন, বি এম মৈস্নাম্বা, প্রোফেসর এম সী অরুন, জে এন এম দি এগী দিরেক্টর পি বিলাস, রিটয়ার্দ দিরেক্টর উপেন্দ্র, ফাউন্দেসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট গোজেন্দ্র অমদি কে ব্রজমনিসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফাউন্দেসন অসিগী ৱাঙাংলোয় অমদি ট্রেজরর তখেল্লম্বম ইরাবতনা ফোঙদোকখিবদা, রাজশ্রি ভগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৬ ফাওবা থৌরম পরেংশিং চথগনি। হয়েং বিজয় গোবিন্দদা লৈ-শু কৎকনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা পাঙথোকপনি। থা অসিগী ২৪দা অরাম্বম নিত্যাইনন্দদা লৈ কৎকনি। হনুমান থাকুর মন্দিরদা লৈ কৎপগা লোয়ননা য়োংশিংদা মচিঞ্জাক পীজগনি। থা অসিগী ২৫দা গোপিনাথ মন্দির, নিংথৌখোংদা চৎতুনা লৈ-শু কৎকনি। থা অসিগী ২৬তা ন্যু চেক্লোন চিলদ্রেন হোমদা না হুৎপা থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

## আই এস বি টিগী দ্রেনশিং শেংদোক্লগনি, সেনিটাইজেসনগী থবক চথবগা লোয়ননা অৱাৎ-অপা য়েংশিল্লি : টি দি সী

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : আই এস বি টিগী দ্রেন শেংদোকপগী থবক চথগনি। সেনিটাইজেসনগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা অৱাৎ-অপাশিংসু য়েংশিল্লি হায়না টি দি সীগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

এম জি এভেন্যুদা লৈবা টি দি সীগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা রঞ্জিৎনা হায়খি, আই এস বি টি কমপ্লেক্সকী লম্বী শেমদ্রবদি গাড়ী চঙবা লেপকনি হায়না তৌরম্বদু লম্বী শেম্লকপনা মরম ওইরগা হন্দোক্লে। নুঙনচিংবা থৌরাং তৌদুনা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎখ্রে। পি দব্লিয়ু দি অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা লম্বী শেম্বগী থবক চঙশিল্লকখ্রে। আই এস বি টিদা মৈ নীংথিনা ঙাল্লমদবা অদুসু হায় মাস লাইট শেমজিন্দুনা ঙাল্লে। দ্রেনশিং শেংবগী থবকসু চথনবা প্লান তৌরি। আই এস বি টিগী কমপ্লেক্সতা সেনিটাইজেসনগী থবক কয়াসু চথখ্রে। কমপ্লেক্স অসিদা মৈ মম্বগী খুদোংচাদাবা লৈরম্বদু হৌজিক্তি মৈ ঙালহনবা অসিগীদমক এম এস পি দি সী এলগী ওফিসলশিং, পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনিয়র অমদি ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরবু থাগৎলি। আই এস বি টি কমপ্লেক্সতা মৈ, ঈশিং, লম্বীনচিংবা নুংঙাইতবা লৈরম্বশিং অদু নীংথিনা থবক পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংগা লোয়ননা চঙশিল্লি। টি দি সীগী ষ্টাফ ১০ রোমসু ওফিস হাংদুনা মফম অদুদা লৈরি। ক্রেন অমগা লোয়ননা জে সী বি অমসু মফম অদুদা থমদুনা শেম-শাবগী থবক্তা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌরি।

এন ঐচ ৩৭গী সিনাম খুন ময়াদা চীং নীংখায়রকপদগী ইম্ফাল-জিরি লম্বী ফাওনদ্রে। মসি অথুবদা মীৎয়েং চঙদুনা লম্বী অসি গাড়ী চৎথোক-চৎশিন য়ানবা থৌরাং পায়খৎফম থোকই। মফম অদুদা দ্রাইভর য়ুনিয়নগী টিম অমসু চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। এন ঐচ আই দি সী এলগী মায়কৈদগীসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লবা মতম অসিদা দ্রাইভরশিংনা পোৎচৈ অমদি মপান লমদা লৈরম্বা মণিপুরীশিং পুশিল্লক্লি। দ্রাইভরশিং ক্বারন্টিনদা লৈরকপদু মতম লোইশিল্লক্তুনা হনবা য়ারগনি। থা অসিগী ২৩ দা মখোয়বু তরাম্না ওক্কনি হায়খি।

## লংথবাল এ সীগী টোপ্পর ওইবা মহৈরোয়শিংদা মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২০দা লংথবাল এ সীদগী রেঙ্ক ১ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা চল্লকপা মহৈরোয় ৪দা কে বিরমনি মেমোরিএল ট্রষ্টকী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ৫০/৫০ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

চজিং মাইরেনখোং কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিং অদুদা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা শেলগী মনা অদু খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা শেনফম অসি কৎপনি। লৈখিদ্রবা পাবুং অসি লাইরিক-লাইশুদা থৱায় য়াম্না য়াওজবা অমদি ওজা ওইনসু হৌরকখিবা মীওইনি। পাবুংনা মহৈ-মশিনদা পামজরম্বা কয়া অদু নীংশিংদুনা মনা অসি কৎপনি। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্কবগীদমক ৱাখল-লৌশিং লৈবা তাই। ৱাখল-লৌশিং লৈরবদি খুন্নাইগীদমক কন্ট্রিব্যুসন কয়া পীবা ঙম্লক্কনি। লাইরিক হৈবগা লোয়ননা লাইশুসু খঙবা তাই। মহৈরোয়শিংনা মতম ঙাক্লা চৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। খুন্নাইগীদমক থৌদাং লৌবা ঙমগদবা মহৈরোয়শিং ওইনবা শেমগৎপা চঙই।

ৱাখল-লৌশিং তাল্লিবা মহৈরোয়শিংনা থকশি-খাশি নাইনা মথৌদা পূক্নিং চঙনা হোৎনবা তাই। মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা চহী খূদিংগী অসিগুম্বা মনা অসি পীদুনা লাক্লি। তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক পূক্নিং থৌগৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মনা পীখ্রবশিং অদুদি, ৭শুবা পোজিসন তাখ্রবা সম্পর মোসেস, ১৩শুবা পোজিসন তাখ্রবা সোনিপ্রিয়া, ১৬শুবা পোজিসন তাখ্রবা বাংমৈলু গাংমৈ অমদি ১৮শুবা পোজিসন তাখ্রবা বিদ্যানি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২। ০৬। ২০২০ ইং, নিংথৌকাবা, নুমিৎয়ুংবা ফাওবা ইঙেলগী নোংমা পানগনি, মতুংদি ২নি পাল্লনি।



**মেষ :** মরুপ-মপাংনা চানবীবা, অনৌবা থৌরমদা মায় হেন্না পাকচবা অমদি মীং চৎপা অমদি অরিবা থৌরম পাংবা ঙবজবা নুমিৎনি। অদুবু ফিংবনা মাঙজবা লৈগনি।

**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**বৃষ :** পূক্নিং পেন্না নুংঙাইজবা অমদি য়েক্না তিংখং লৈরম্বা হন্থরকপা নুমিৎনি। লৌশিং চাওবনা নথক থোংববু লায়না খুদুম চনগনি, শেলসু ফংগনি। খাংবদি কল্লু।

**লৈশা পাখংশিংগী** - য়েৎনরুনু।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।



**মিথুন :** হরাওবা নুংঙাইবা, লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নবা অমদি অকিবা খরা পোক্লবসু লন-থুমদি চাওখৎপা নুমিৎনি। কোক শাবা অমদি মীয়ামগা মরী ফত্তবদি লৈ।

**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাই।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কর্কট :** মরম চাদনা ইচং থৌবনা চাদিং হেনবা অমদি কাইনবা লৈগনি। অদুবু মরুপ অফবা ফংজবা, পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি থৌনা ফবনা কান্নবা লৈ।

**লৈশা পাখংশিংগী** - মহৌশাগুম ফৈ।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**সিংহ :** হন্থবা লোয়নবা য়াদবা, মরুপ-মপাং খনবসু লুবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নদবা নুমিৎনি। অদুবু লন, মীংচৎ অমদি মায় পাকপগী নুংঙাইবদি লৈগনি।

**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক লৈ।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।



**কন্যা :** অয়াম্বা লম্দা মায় পাক্কনি। অনৌবা অশা লাক্কনি, লেংদবা লন ফংগনি অমদি মরুপকী মতেং লৌবসু য়াগনি। অদুবু খন্থদবনা মাঙজগনি -খুদক্তা ৱা লেপকনু।

**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**তুলা :** ইচং থৌবা য়াদে অমদি লৈঙাক্কী লম্দা নোল্লুক্না চৎপা ফগনি। ফত্তবা খলহৈদবা ৱাখল থাদোকউ অমদি মীয়াম্না য়াবদি পাংবদা মহয় য়ানগনি। অনাবসু কোকচৈ।

**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী হান্নগুম ফৈ।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**বৃশ্চিক :** ফিংগনু-তপথৌ অমদি ঙমনি ঙমলোই খঙদনা হোয়া ফগনু। অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎলি অদুনা মরুপ-মপাংগা লোয়ননা পাংনবা হোৎনৌ। য়েৎনবদি ঙমগনি।

**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**ধনু :** নীংবা থুংজগনি, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা অনীংবদু পাংবসু মায় পাক্কনি। লৌশিং চাউই অমদি মরুপ-মপাং য়াম্মী।

**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মকর :** লৌশিংদি খরা ৱাৎলসু অমদি নক্লবনা য়েংশিনবা লৈরবসু নীংবা থুংগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি থাজদবা মরমদগী কান্নবা য়াম্না ফংজগনি। মীয়ামগা মরী ফৈ।

**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।



**কুম্বা :** মীয়ামনা শকখঙবীবা হেনগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীগনি। মতম পুম্বদা মীনা পাম্নবা থবক পাংনবা হোৎনৌ মদুনা খ্বাইদগী য়াইফবা ওইগনি। অনমদি তানগনু।

**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইজৈ।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**মিন :** খোংরাং, খোইশাওবা অমদি নচাক-নরল চেকশিন্দবা য়াদবা নুমিৎনি। অঙম্বনা য়ানবা চৎপা ফৈ। মরুপ্পদি থোইনা চানবী, অরং অরাক ফংবৈ নুংঙাইজবা লৈগনি।

**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাঙহনগনি।

**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।